# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 09-02-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

(তাং ০৯-০২-২০২৬, নিংথৌকাবা)

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ময়াই লম্বীগী পরিংগী ইম্ফালদগী ককচিং লমখাই ফাওবগী লম্বী শেম্বগী থবক ঙসি মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হৌদোক্লগনি।

২) উখ্রুল জিলাগী লিতান খুলদা কাংলুপ অনিগী মরক্তা উংখৎনবা থোরকপদগী মখা তানা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ত্রেটনা লিতান ভিলেজকী অকোইবদা অথিংবা থমজিনখ্রে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি সিচেলিসকী রাস্ত্রপতি ডা.পেত্রিক হরমিনিগা নিউ দেল্লিদা ৱারি শান্নগনি।

----

**ময়াই লম্বী(এল)ঃ** মীয়ামা ময়াই লম্বী হায়রগা খঙনবা নেসনেল হায়ৱে-১৩৭(এ)গী ইম্ফালদগী ককচিং লমখাই ফাওবগী লম্বী শেম্বগী থবক ঙসি মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হৌদোক্লগনি। রাজ্যগী পব্লিক ৱার্কস

দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লংথবাল লেপ ময়াই লৈকাইদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা লম্বী শেন্বগী থবক অসি হৌদোক্কনি। লম্বা অসি কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ মন্ত্রালয়গী শেন্থং মখাদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎকনি।

নিংশিংবা য়াবদি, ফিভম ফত্রবা ময়াই লম্বী অসি মতম শাংনা মাইকৈ অদোমগী মীয়ামা শেমজিনবীনবা খোঙজং কয়া চংশিন্দুনা লাকপনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাগী কাংচুপ পুলিস স্তেসননা কোনবা ওলমুন সোংলুং অমসুং লাংজোল এরিয়াগী লম একর ২৭ লোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং ঙরাং য়াল্থৎতুনা মাংহনখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-পোপী থাবদা শিজিন্নবা শঙ মঙাসু মৈ থাদোক্তুনা মাংহনখিবগা লোয়ননা পোপী থাবদা শিজিন্নবা থুম বোরা অহুম, হার বেগ মঙাসু মাংহন তাকহনখি। মফম অদুদা লৈরম্বা কেনভো বাইক অনিসু সেক্যুরিতিনা ফাগৎলে। পাউ অসিনা মখা তানা হায়-নোনে জিলাগী নুংবা পুলিস স্তেসননা কোনবা লেংলোং অমসুং তলখাঙ এরিয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে। ফাগৎলবা পোৎলমশিংগী মনুংদা-মেগজিন য়াওবা এ.কে.ফোর্তি সেভেন রাইফল ১, মেগজিন য়াওবা য়ু.এস.কর্বাইন ১, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট টু টু পিষ্টোল ১, দ্রোন ১, তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ মরু কয়ামরুম য়াওরি। তেংনৌপল জিলাগী মোলনোম-মোলনোই ভিলেজ এরিয়াদসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে। ফাগৎলবা খূৎলাইশিংগী মনুংদা- এ.কে রাইফল ১, পিষ্টোল ১, ইমপ্রোভাইস মোর্তার ২, শিঙ্গল বেরেল রাইফল ১, ইমপ্রোভাইস মোর্তার বোম ২, ৱায়র য়াওবা আই.ঈ.দি বোম ১৪ য়াওরি। হায়রিবা আই.ঈ.দি বোমশিং অদু মফম অদুদা অশোই অঙাম য়াওদনা পোখাইহনখ্রে।

**কর্ফিয়ু(এল)ঃ** উখ্রুল জিলাগী লিতান খুলদা কাংলুপ অনিগী মরক্তা উংখৎনবা থোরকপদগী মখা তানা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ত্রেটনা লিতান ভিলেজকী অকোইবদা অথিংবা থমজিনখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ত্রেট উখ্রুল, অসিস দাসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- লিতান ভিলেজকী অকোইবদা বি.এন.এস.এস ২০২৩ গী সেক্সন ৱানগী মখাদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ তগী মীওই অমত্তা য়ুমদগী মপান থোক্তনবা অথিংবা থমখিবনি। অথিংবা অসি মখা তাবা হুকুম অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা চৎনগনি।

**খেমচান্দ (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা থালোন কেন্দগী এম.এল.এ. বুংজাগীন বালতেগা ইম্ফাল ইয়ারপোর্টতা ঙরাং উন্নখ্রে।

এম.এল.এ. বালতে, মনিপুরগী ইরাং অসিদা শোকপদগী লায়েং চথ্দুনা লাকখিবনি। মহাক্কী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লকপদগী চুরাচান্দপুর মেদিকেল কোলেজতা পুখৎতুনা লায়েংলকপনি। মুখ্য মন্ত্রিনা এম্ব্যুলেন্স অমদি ডাক্তরগী কাংবু থাদুনা অনা লায়েংগী থবক চথ্খি। শ্রী বালতেগী ফিভম খরা ফগৎলকপদগী ন্যু দিল্লিগী মেদান্তা হোস্পিতালদা মখা তাবা লায়েং চথনবা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম চুরাচান্দপুর মেদিকেল কোলেজতগী ইম্ফাল ইয়ারপোর্ট ফাওবা এম্ব্যুলেন্সতা পুরকখি। মহাকপু বি.জে.পিগী এম.এল.এ অনি-তেংব্রম রোবিন্দ্রো অমসুং সনসম প্রেমচন্দ্রনা ফৌজখাই ভিলেজতগী ইম্ফাল এয়রপোর্ট ফাওবা পুরকখি। ইম্ফাল এয়রপোর্টতা মুখ্য মন্ত্রিনা শ্রী বালতেবু তরামা ওক্তুনা ৱারি শান্নখি অমসুং মহাক্কী হকচাংগী ফিভম থুনা ফগৎলক্তুনা হল্লকপা ওইসনু হায়নসু ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিখি।

**কনফরেন্স(এল)ঃ** নেসনেল কনফরেন্স ওন রিসেন্ট ট্রেন্দস ইন বাইওটেকোলোজি হায়বা হীরমদা কনফরেন্স অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চাঞ্চেলর ওফিসকী কোর্ট হোলদা হৌদোক্লগনি। থৌরম অদুদা, মণিপুর

য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চাঞ্চেলর প্রোফেসর এন.লোকেন্দ্রো, দিন স্কুল ওফ লাইফ সাইন্সেসকী প্রোফেসর এন. মোহিলাল য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াগনি।

**ইলেক্সন(এল)ঃ** তদুবী বিধান সভা কেন্দ্রগী ওইনা পাঙথোকখিবা স্পিসিএল সম্মরি রিভিজনগী দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল ফোঙবগা মরী লৈননা চিফ ইলেক্তোরেল ওফিসর, মণিপুরগী ওফিসতা ঙসি পাউগী মীফম অমা পাঙথোক্কনি। ফোংগদৌরিবা দ্রাফট ইলেক্তোরেল অসি মমাঙ থাগী ১ দা ক্বালিফাইয়িং দেট ওইখিবনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি সিচেলিসকী রাস্ত্রপতি ডা.পেত্রিক হরমিনিগা নিউ দেল্লিদা ৱারি শান্নগনি। ৱারি শান্নবা অদুদা লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা হেন্না তেংবাং পীননবগী মতাংদা খন্নগনি। শ্রী হরমিনিনা রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগসু ঙসি নুমিদাংৱাইরম রাস্ত্রপতি ভবনদা ডন্নদুনা ৱারি শান্নগনি। শ্রী হরমিনি নুমিৎ ৬ নিগী খোঙচৎতা ঙরাং ভারত্তা থুংলখিবনি। মহাকপু এয়রপোর্টতা কেন্দ্রগী মন্ত্রি অনুপ্রিয়া পতেলনা হরাউ তয়ামা ওকখি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি মোদিনা মালেসিয়াগী প্রধান মন্ত্রি অনৱার ইব্রাহিমগা ঙরাং কোলালম্পুরদা ৱারি শান্নখ্রে। ৱারি শান্নবা অদুদা ঙাকশেল, লাল্লোন ইতিক, দিজিতেল ইকোনোমি, মহৈ মশিং, টুরিজম, ইনর্জিনচিংবা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা লৈবাক অনিগী মরক্তা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা খন্নখি। প্রধান মন্ত্রি অনিনা তোঙান তোঙানবা লম ১৬ তা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা য়ান্নখি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভারত অমসুং মালেসিয়া অনিগী মরক্তা অচেৎপা মরী থমদুনা তেংবাং পীনবগী চাং হেনগৎলক্লি অমসুং লৈবাক অনিনা আর্টিফিসিয়েল ইন্তল্লিজেন্স, সেমি কন্দক্তরস, হকশেল অমসুং ফুদ সেক্যুরিতিগী লমদা হেন্না তেংবাং পীননবা য়ান্নরে। মহাকা হায়-সি.ঈ.ও

ফোরমনা লৈবাক অনিগী মরক্তা শেল থাদবা অমসুং লল্লোন ইতিক্কী লমদা খুদোংচাবা কয়া পীরে। মালেসিয়ানা এসিয়ানগী চেয়রমেন ওইরকপদা শ্রী মোদিনা নুঙাইবা ফোঙদোকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ভুংজাগিন বালতে হকচাংগী ফিভম লুশিল্লকপদগী ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী এয়র এম্বুল্যেন্সতা দিল্লিদা পুখ্রে হায়বা পাউ- পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

থংগাল কৈথেল শেম্বগী থবক অথুবদা লোইশিনদ্রবদি সি.এমনা এক্সন লৌখৎকনি হায়খ্রে হায়বা পাউনা-পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- স্বর হোনবা নুঙাইরক্তবদগী এম.এল.এ বালতে দেল্লিদা লায়েংলুনবা এয়র এম্বুল্যেন্সতা পুখ্রে, চিফ মিনিষ্টর খেমচান্দনা উন্নহৌদুনা পু বালতে নাবা ফরগা হল্লকউ, ঐনা নহাক হল্লকপা ঙাইখিনি হায়খ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

লিতানদা কাংলুপ মশেল ওনশিন্নদুনা খূৎ থোকখ্রে, পুলিস পর্সনেল ৪ অমসুং মীচম ৩ শোক্লে হায়বা পাউ অমস্ পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মীয়ামবু মীরাইবা লৈতে, মীয়ামগী অপামবা থুংগনি হায়রবদি এম.এল.এ ফমদগী রিজাইন তৌগনি, পৌলিয়ানলাল হাউকিপঃ হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সনাৈলবাক্তা- অওনবা অপুনবা চাউখৎপা খুন্নাই অমগীদমক থৌদাং লৌগনিঃ অমুকো হায়বা পাউ অসি অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা শিল্লবা য়াই হায়বা পাউ অমা- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদনা সেন্তরদগী ইংগিৎ পীরক্লে, মী ময়ামগী মমিং পন্নরি, হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- মীওই অমা ফুরকপদগী লিতানদা হিংসা থোরক্তুনা অথিংবা থমজিনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**